## সিখ জেনোসাইদ মেমোরিএল লৌথোকখ্রে

নোর্ৱিস, ওক্তোবর ২০ (এজেন্সি) :
ইন্দিয়াদা কুমজা ১৯৮৪ দা থোকখিবা রাইওটশিংদা পুন্সি লোমখিবা সিখশিংবু নীংশিংলদুনা কন্নেক্টিকটকী নোর্ৱিসতা খিনখিবা কুমজা ১৯৮৪ সিখ জেনোসাইদ মেমোরিএল ইন্দিয়ন গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী হায়জরকখিবগী মতুং ইন্না য়ু এস ওথোরিটিশিংনা লৌথোকখ্রে হায়রি। মেমোরিএল অদু মফম অদুদা খিনখিবা থা ৪ রোমগী মতুংদা লৌথোকখিবনি।

## রোহিঙ্গাশিংনা ইথৎ অমদা হোংলবসু য়াই

ধাকা, ওক্তোবর ২০ (এজেন্সি) :
বাংলাদেশগী রেফ্যুজি কেম্পশিংদা লৈরিবা রোহিঙ্গা লিশিং কয়ানা মখোয় ঈচাও নংবা য়াবগী অকিবা লৈদুনসু বে ওফ বেঙ্গলগী ইথৎ অমদা মফম হোংবগী ৱাফমদা য়ারে হায়না বাংলাদেশকী রেফ্যুজি কম্মিস্নরনা ফোঙদোকখ্রে। ধাকানা মতম খরগী মমাংদগী কা হেন্না চিল্লবা কেম্পশিংদগী রেফ্যুজি ১০০,০০০ ইথৎ অদুদা হোংদোকহনবা পামদুনা লাকখিবনি।

# টর্কি অমসুং রসিয়ানা সিরিয়াগী টাউনশিংদগী কর্দিস মিলিস্যা লৌথোক্লবা খন্নরগনি



অঙ্কারা, ওক্তোবর ২০ (এজেন্সি) :
টর্কি অমসুং রসিয়ানা মথং চয়োলদা সোচিদা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা সিরিয়াগী অৱাং থংবা লমদমগী টাউনশিং মনবিজ অমসুং কুবানিদগী সিরিয়াগী কর্দিস (ৱাই পি জি) মিলিস্যা লৌথোক্লবগী ৱাফমশিং খন্নরগনি হায়না টর্কিগী ফোরেন মিনিষ্টর মেভলুট কভুসোগ্লুনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট তায়িপ ইর্দোগান্না য়ু এসকী ভাইস প্রসিদেন্ট মাইক পেন্সকা শগোলশেল নুমিত্তা অঙ্কারাদা ৱারী শান্নবদা টর্কিনা বোর্দর মনাক্তা সেফ জোন অমা লিংবা পাল্লিবা মফমদগী ৱাই পি জি হন্দোকখিবা য়ানবা নুমিৎ মঙানিগী ওইবা সীজফায়র অমা চৎনহনবগী ৱাফম য়ানখিবা মতুংদা টর্কিনা সিরিয়াগী অৱাং নোংপোক লমদমদা চঙশিল্লিবা মিলিটরি কেম্প্যেন লেপখিবনি।

অমরোমদা, ট্রুস অদু য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা খঙহৌদনা থা অসিদা সিরিয়াগী অৱাং থংবা লমদমদগী য়ু এস ট্রুপ ১০০০ লৌথোক্লবা ৱারেপ অমা লৌবদগী লাক্লিবা ক্রাইসিস হন্থহন্নবগী পান্দমদা পুরকপনি হায়নসু লৌনরি।

ট্রম্পকী খোঙথাং অদুবু ৱাশিংটনদা লৈরিবা সেক্সন কয়া অমদি অতৈ কয়ানা ইস্লামিক ষ্টেটকী মায়োক্তা চহী কয়া চুপ্পা লান শোক্লরকখিবা কর্দিস মীচংশিংবু বিট্রে তৌবগী থৌওংনি হায়না ক্রিটিসাইজ তৌনখিবনি।

তৌইগুম্বসুং ট্রম্পকী খোঙথাং অসি টর্কিনা লমদম অদুদা মফম অমা কন্নবা হোৎনরক্লিবদু রসিয়া অমসুং ইরানবু থেংনহন্নবা হোৎনরকপগী শরুক অমনি হায়নসু লৌনরি। পনবা য়াই, রসিয়া অমসুং ইরান অনীমক সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাসর অল-অসাদ শৌগত্তুনা লাকপগা লোয়নননা য়ু এসনা হন্দোকখ্রবা মতুংদা হাংহৌরিবা মফমদা চঙশিন্নবসু হোৎনরিবনি।

# ‘ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী সেল কাপ্লকপদা মরি শিরে’



ইস্লামাবাদ, ওক্তোবর ২০ (এজেন্সি) :
পাকিস্তানগী মায়কৈদগী হান্না কায়হৌরুবা অমত্তা য়াওদনা ইন্দিয়ন ফোর্সশিংনা লাইন ওফ কন্ট্রোলদা সীজফায়র খোঙ্গাওনদুনা সেল কয়া কাপশিল্লকপদা লান্মী অমা য়াওনা মীওই মরি শিরে হায়না পাকিস্তানি মিলিটরিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

পাকিস্তান মিলিটরিগী মিদিয়া ৱিং ওইরিবা ইন্টর-সর্ভিসেস পব্লিক রিলেসন্না তৌরিবা ক্লেম অসি ইন্দিয়ন আর্মিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা পাকিস্তান-ওকুপাইদ কাশ্মির (পি ও কে)দা টেরর লোঞ্চ পেদ মরি মাঙহন-তাকহনখিবগা লোয়নননা য়ামদ্রবদা পাকিস্তান লান্মী মরি হাৎখ্রে হায়না ফোঙদোকখিবা মতুংদা লাকখিবনি।

ইন্দিয়ন আর্মিগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখিবা অদুদা ওপরেসন অদু পাকিস্তানি লান্মীনা সীজফায়র থুগায়দুনা জম্মু অমসুং কাশ্মিরদা লান্মী ২ গা লায়নননা মীচম অমা শিহনখিবগী মায়োক্তা পাঙথোকখিবা কাউন্টর-এটেক অমনি হায়নসু পনখিবনি। ইন্দিয়ন আর্মিনা চত্থখিবা আর্টিলরি গন এটেক অদুদা পাকিস্তানি আর্মি পোষ্ট কয়াদসু অমাঙ-অতা থোকখি হায়রি। পাকিস্তানি আর্মিগী মেজর জেনরেল অসিফ ঘাফুরনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখিবদা, হান্না কায়হৌবগী থৌওং য়াওখিদনা ইন্দিয়ন ফোর্সশিংনা জুরা, সাহকোট অমসুং নাওসেরি সেক্তরশিংদা মীচমশিংদা অতম্নগা টার্গেট তৌদুনা সেল কয়া কাপশিল্লকখি।

# কটালোনিয়াগী প্রো-ইন্দিপেন্দেন্স রিজনেল চীফনা ৱারী শান্নশি হায়বদা স্পেনিস গভর্নমেন্টনা য়াখিদ্রে



বর্সেলোনা, ওক্তোবর ২০ (এজেন্সি) :
সেপরেটিষ্ট লিদর কয়া জেলগী চৈরাক পীবদগী কটালোনিয়াদা থোক্লকখিবা অকনবা ইরাংগী মতাংদা লমদম অসিনা নীং তম্না লৈবগী ৱাফম শৌগত্তুনা লাকখিবা রিজনেল চীফ অমনা হৌদোকখিবা ৱারী শান্নবগী ৱাফম স্পেনিস গভর্নমেন্টনা থাংজ নুমিত্তা য়াখিদবগা লোয়নননা মখা তাবা প্রোটেষ্ট কয়া থেংনননবগীদমক্তা পুলিস ফোর্সশিং শেম শাখ্রে হায়রি।

মাইখুম উপ্পা নহারোল কয়ানা মৈঙালদা লংখৎপা গার্বেজ বিনশিং শীজিন্নদুনা লম্বী কয়া থিংজিনখিবা অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা নুঙ লংশিনখিবগা লোয়নননা ইরাই নুমিত্তা চহী কয়ামুক্কী মনুংদা বর্সেলোনাদা অহিংগী মতমদা খ্বাইদগী শাথিরবা থৌদোকশিং উবা ফংখি হায়রি।

থোক্লিবা ইরাং অদু হান্নদগী লৈরকপা কটালান ইন্দিপেন্দেন্স মুভমেন্টগী ঈং তপ্পগী মতৌগা তাইওন্নৈ হায়রদুনা কটালোনিয়াগী প্রসিদেন্ট ক্বিম তোরানা ইরাং হৌরিবশিংদা মদ্রিদকা ৱারী শান্ননবা আপিল তৌখি। পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না স্পেনগী এক্তিং প্রাইম মিনিষ্টরগী গভর্নমেন্টতসু ক্রাইসিস অদুগী মতাংদা মরী লৈনবশিংগা ফম্মিন্নদুনা নিগোসিএসন চত্থনবসু তকশিনখি। কটালোনিয়াগী প্রসিদেন্টনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবা মতুংদা স্পেনিস প্রাইম মিনিষ্টর পেদ্রো সানচেসনা হায়খি মদুদি, ইহান হানবা মক্তদা তোরা মশামক্না লমদম অদুদা থোক্লিবা ইরাং অদুবু কন্দেম তৌগদবনি। হৌজিক ফাওবা অসিদা রিজনেল লিদর অসিনা অসিগুম্বা ইরাং কন্দেম তৌবগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

সানচেজকী ষ্টেটমেন্ট অমনা তোখায়না তাবা পামদবা কটালান কয়াগসু হৌজিক ৱারী শান্নদুনা তাথোক-তাশিন তৌবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি। স্পেনগী গভর্নমেন্টনা হৌজিক কটালোনিয়াগী প্রোব্লেমদি নীং তম্বা হায়বসিদি নত্তে হায়বা ৱাফম অসি অমুক হন্না কটালানশিং অমসুং স্পেনিস অপুন্বদা থন্নি। কটালোনিয়ানা নীং তম্বা হায়বসি লোনা য়াদবা ৱাফম ওইবতা নত্তনা কটালান অয়াম্বনসু ৱাফম অসিগী ময়োক্তা লৈ হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# ট্রুস দিল থুগায়রক্লবদি টর্কিনা সিরিয়া ওফেন্সিভ মখা চত্থগনি



অঙ্কারা, ওক্তোবর ২০ (এজেন্সি) :
সিরিয়াগী অৱাং-নোংপোক থংবা লমদমদগী কর্দিস ফাইটরশিং ৱিথদ্রো তৌবগী মতাংদা ৱাশিংটনগা য়ানখিবা দিল অমা মপুং ফানা থবক্তা ওন্থোক্তবা তারবদি টর্কিনা লমদম অদুদা মখা তানা মিলিটরি ওফেন্সিভ চত্থদুনা টেররিষ্টশিং লোইশিনগনি হায়না টর্কিস প্রসিদেন্ট তায়িপ ইর্দোগান্না থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ইর্দোগান্না শগোলশেল নুমিত্তা য়ু এস ভাইস প্রসিদেন্ট মাইক পেন্সকা ৱারী শান্নখিবদা কর্দিস ফাইটরশিং টর্কিনা লৈবাক অসিগী বোর্দরগা নক্লনা সিরিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা লমদমদা সেলফ জোন অমা শেম্বা পাল্লিবা মফম অদুদগী হন্দোকখিবা য়ানববা নুমিৎ মঙানি লান লেপ্পগী ৱাফম য়াখিবনি।

থাংজ নুমিত্তা বোর্দর পরিংদা ট্রুস অমা চৎনবনা মরম ওইদুনা টর্কিগী মিলিটরি ভেহিকল বোর্দর লান্না চৎথোক-চৎশিন তৌবা উখিদে হায়না রোইটর্সকী জর্নেলিষ্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

টর্কিস দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা পুং ৩৬ অসিদা সিরিয়াগী মায়কৈদগী কায়হৌবগী মওংদা এটেক ১৪রক চত্থরকখি। অসিগুম্বা ফিভম লৈদুনসু টর্কিনা একোর্দ অদু মপুং ফানা থবক্তা ওন্থোক্লবগীদমক ৱাশিংটনগা লেপ্তুনা তাথোক তাশিন তৌনরি।

করিগুম্বা নাটোদা য়াওবা মীচং অমা ওইরিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা য়ানখিবা ৱাফম ইন্দবগী মওংদা সিরিয়াগী কর্দিস (ৱাই পি জি) মিলিস্যানা নোর্থ ইটে সিরিয়াদগী হন্দোক্তবা তারবদি টর্কিনা মিলিটরি ওপরেসন মখা চত্থগনি হায়না ইর্দোগান্না ফোঙদোকখি।

কর্দশিংনা লুচিংবা সিরিয়ন দিমোক্রেটিক ফোর্সেস (এস দি এফ)কী মরু ওইবা কম্পোনেন্ট অমা ওইরিবা ৱাই পি জিবু অঙ্কারানা টর্কিগী খা নোংপোক থংবা লমদমদা লান হৌরিবা কর্দিস মিলিটেন্টশিংগা মরী লৈনবগীদমক টেররিষ্ট গ্রুপ অমনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।

ইরাই নুমিত্তা কর্দিস মিলিস্যানা টর্কিবু অৱাং নোংপোক লমদমগী সিভিলিয়ন মফমশিং অমসুং বোর্দর টাউন রাস অল-এইনদা সেল কাপশিল্লক্তুনা নুমিৎ মঙানিগী সীজফায়র অদু থুগায়খি হায়না মরাল শীখিবনি।

# টর্কি-সিরিয়া সীজফায়র হৌখিবদগী শিখিবা ২১ শুরে



দমাস্কস, ওক্তোবর ২০ (এজেন্সি) :
সিরিয়াগী অৱাং নোংপোক লমদমদা অঙ্কারাগী ওফেন্সিভ লেপ্প নবা নুমিৎ হুম্নিগী মমাংদা লমদম অদুদা সীজফায়র চৎনহনবগী ৱাফম য়ানখিবদগী হৌজিক ফাওবদা মীচম ২০ অমসুং টর্কিস লান্মী অমা শিখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ইফে ন্যুজগী রিপোর্টনা কর্দিস রেদ ক্রেসেন্টকী ৱারোল পল্লদুনা হায়, মীচম ভিক্তিম ২০ দুগী মনুংদা ৪দি টর্কিস ফোর্সশিংনা অমাঙ অতা খরা থোকহনখিবগা লোয়নননা পায়শিনখ্রবা সিরিয়াগী বোর্দর টাউন রাস অল-এইনদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা শিখি।

সিরিয়ন দেমোক্রেটিক ফোর্সেস (এস দি এফ) অমসুং টর্কিস গভর্নমেন্টকী মরক্তা সীজফায়র এগ্রীমেন্ট য়ানখিবদগী কর্দিস রেদ ক্রেসেন্টগী টিমগী রেকোর্দতা মীচম ২০ শিখ্রে অমসুং অতৈ মীচম ২০না অশোক অপন নংখ্রে হায়না এন জি ও অসিনা নোংমাইজিং নুমিৎকী ফোঙবা রিপোর্টতা পনখি।

শগোলশেল নুমিৎকী অহিংদা টর্কিস প্রসিদেন্ট রেসেপ তায়িপ ইর্দোগান অমসুং য়ু এসকী ভাইস প্রসিদেন্ট মাইক পেন্সকী মরক্তা সীজফায়র অদু খুৎয়েক পীনখিবদগী রাস অল-এইন সিটিদা টর্কিস ফোর্সশিং অমসুং অঙ্কারানা শৌগৎপা সিরিয়ন রেবেলশিংনা তোয়না এটেক তৌদুনা লাকখি হায়রি।

সিরিয়ন প্রসিদেন্ট বাসর অল-অসাদকী গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা লৈরিবা রেবেলশিংনা রাস অল-এইনদা লৈরিবা অমত্তা ঙাইরবা হোস্পিটাল তম্না লাকখিবা হ্যুমেনিটরিয়ন কনভোই অমা লম্বীদা থিংদুনা থমখি। মমৈথংদা কনভোই অদু থাংজ নুমিত্তা হোস্পিটাল অদু য়ৌখি হায়রি। কর্দিস ওথোরিটিশিংনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, টর্কিনা মিলিটরি কেম্প্যেন হৌখিবদগী অঙাং ২২ য়াওনা কর্দ ২৩৫ হেন্না শিখ্রে অমুসং ৬৭৭ অশোক অপন নংখ্রে।

# মিলিটেন্টশিংনা আর্মি পোষ্টতা এটেক তৌবদা মঙা শিরে



দকার, ওক্তোবর ২০ (এজেন্সি) :
বুর্কিনা ফাসোগী অৱাং থংবা লমদমদা লৈবা মিলিটরি আটপোষ্টশিংনা চত্থখিবা এটেক অনীদা লান্মী ৪ অমসুং পুলিস ওফিসর অমা শিরে হায়না আর্মিনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিংনা রেইদ কয়া চত্থবগী থৌদোকশিং অমদি শাষন লোইবা অমসুং লৌ-শিংউগী থবক তৌরিবা কম্যুনিটিশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং চহী অসিদা হেনগৎলকখিবগা লোয়নননা হৌজিক ফাওবদা মীচম অমসুং লান্মী চা কয়া পুন্সি লোমখ্রে।

থাংজ নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা মশক খঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা বাহন টাউন্দা লৈবা মিলিটরি পোজিসন অমদি য়েন্সে ভিলেজদা লৈবা অতোপ্পা মিলিটরি আউটপোষ্ট অমদা এটেক তৌখি হায়না আর্মিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

এটেকশিং অদু মতম অমত্তদা চত্থখিবনি হায়বা য়াই হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

ট্রুপশিংনা মতম খরগী মনুংদা মখোয়গী পোষ্টশিং অমুক হন্না কন্ট্রোল তৌবা ঙম্বগা লোয়নননা এটেক্করশিং অদুবু তকথোকপা ঙমখি হায়রি। মতম অমদা সাহেলদা মরা তপ্পা লমদম অমা ওইরম্বা বুর্কিনাদা হৌখিবা চহী অহুম অসিদা লালহৌবগী ইরাং কনখৎলকখিবনি। ইরাং অদু লালহৌবগী ইরাংনা কাঙখোং চাইদুনা লৈরক্লবা য়ুমথংনরিবা মালিদগী জিহাদিষ্ট কাঙবুশিংগী ইরাং হায়জিলকখিবদগী কনশিনখিবনি।

# পুলিসকা প্রোটেষ্টরশিংগা খুৎ থোক্লবদা দুকান কয়া অকায়-অতোই থোকখ্রে



হোং কোং, ওক্তোবর ২০ (এজেন্সি) :
ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদবা এন্টি-গভর্নমেন্ট দিমোনষ্ট্রেসন্দা হোং কোং পুলিসকা প্রোটেষ্টরশিংগা মরক্তা টিয়ার গ্যাস অমসুং পেট্রোল বোমগী লান অমা থোকখিবগা লোয়নননা সিটি অদুগী দুকান চা কয়া অকায়-অতোই থোকখ্রে হায়রি।

এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টরশিংনা হোং কোংদা লৈরিবা চাইনিজ বেঙ্কশিং অমসুং মেট্রো ষ্টেসনশিংদসু টার্গেট তৌখি। চয়োল অনীরোম ঈংনা লৈরুবা মতুং থাংজ নুমিত্তা পাঙথোকখিবা অচৌবা রেলি অদুনা প্রো-দেমোক্রেসি কেম্প্যেন শৌগৎনবা লেপত্রি অমসুং হার্দ কোর প্রোটেষ্টরশিংনা পুলিসকা মখা তানা খুৎ থোক্লগদৌরি হায়বসি উৎলি।

প্রোটেষ্টরশিংনা কাওলুনদা লৈরিবা সিম সা সুই পুলিস ষ্টেসন্দা পেট্রোল বোম কয়া লংশিনখি। লম্বীদা লৈরিবা দেমোনষ্ট্রেরশিং তানখায়নবা পুলিসনা ষ্টেসন অদুদগী টিয়ার গ্যাস সেল কয়া কাপশিনখিবা মতুংদা প্রোটেষ্টরশিংনা পেট্রোল বোম লংশিনখিবনি।

অতোপ্পা অমুবা ফিজোল শেৎপা প্রোটেষ্টর কয়ানা কাওলুন দিষ্ট্রিক্টকী মরু ওইবা রিটেল দুকানশিংগী লম্বী ওইরিবা নথান রোদতা মৈ চাক্লবা বেরিয়র কয়া শেমগত্তুনা লম্বী থিংখি।

মফমদুগী প্রোটেষ্টরশিংগী থৌওং অদুদা মখুৎতা সিল্ড পায়বা রাইওট পুলিস কয়া প্রোটেষ্টরশিং তম্না চঙশিনখি। পুলিসনা প্রোটেষ্টরশিং তানখায়নবা হোৎনবদা ৱাটর কেনন ট্রক কয় শীজিন্নদুনা মীয়ামদা হিগোক মচু শংলবা ঈশিং কাপশিনখি। প্রোটেষ্টরশিং আইদেন্টিফাইদ তৌনবগীদমক্তা হিগোক মচুগী ঈশিং কাপখিবনি।

# ‘বৃটেননা ওক্তোবর ৩১ ফাওবগী মনুংদা ঈ য়ু থাদোক্কনি’



লন্দন, ওক্তোবর ২০ (এজেন্সি) :
লোমেকরশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জেন্সনবু নমদুনা থাংজ নুমিত্তা ঈ য়ুদা লেটর অমা থাহন্দুনা বৃটেন্না য়ুনিয়ন অসি থাদোকপগী মতম খরা থিন্থনবা হায়জহনখিবা লৈরবসু ব্রেক্সিট হায়বসি ওক্তোবর ৩১ ফাওবগী মনুংদা শোয়দনা থোক্লগনি হায়না বৃটিশ গভর্নমেন্টকী মিনিষ্টর অমা ওইরিবা মাইকেল গোভনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

জোন্সন্না ঈ য়ুগা য়ানখিবা মহাক্কী দিভোস দিল এম পিশিংবু শৌগৎহন্নবা থাংজ নুমিত্তা হোৎনখিবদা পার্লিয়ামেন্টনা মায়থিবা পীদুনা মহাক্কী দিল অদু এপ্রুভ তৌবগী মহুত্তা হৌখিবা থাদা পাস তৌখিবা লো অমা ওইনা চৎনহন্দুনা মহাকপু নমদুনা ব্রেক্সিটকী মতম জন্যুৱারি ৩১ ফাওবা শাংদোকপিনবা হায়জবা লেটর অমা ব্লোক অসিদা থাহনখিবনি। খোঙথাং অদু মরু ওইনা বৃটেনবু ওক্তোবর ৩১ দা দিল অমা য়াওদনা ঈ য়ু থাদোকপগী ফিভম লাকহন্দনবগীমক্তনি হায়রি।

ওক্তোবর ৩১ ফাওবগী মনুংদা ঐখোয় ঈ য়ু থাদোক্লগনি। মসি থোক্লবগী পাম্বৈ অমদি কেপাসিটি ঐখোয়দা মতিক চানা লৈ হায়না দিল য়াওদবা ব্রেক্সিট প্রিপরেসন্সকী চার্জ পুরিবা মিনিষ্টর গোভনা স্কাই ন্যুজদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদ, প্রাইম মিনিষ্টরনা ঈ য়ুদা লেট্রর থারিবদু পার্লিয়ামেন্টকী চৎন-পথাপগী মতুং ইন্ননি। তৌইগুম্বসুং পার্লিয়ামেন্টনা প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱাখল নৎত্রগা গভর্নমেন্টকী পোলিসি নৎত্রগা ফিরেপ্পা অহোংবা লাকহনবদি ঙস্লোই।

লোমেকরশিংনা শৌগৎখিবা লোগী মতুং ইন্না জোন্সন্না ব্রেক্সিটকী মতম থিন্থবিনবা হায়জরদুনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদা লেটর অমা থাখিবনি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না লেটর অদুদা খুৎয়েক পীখিদবগা লোয়নননা অদুক্কী মতিক নুংঙাইতনিংঙাই ওইরবা ব্রেক্সিটকী মতম শাংদোকপগী ৱাফম অসি মহাক্কী অপাম্বা নত্তে হায়বা অতোপ্পা নোট অমসু মহাক্না ঈ য়ুদা থাখি। গোভনা দিল য়াওদনা বৃটেন্না ঈ য়ু থাদোকপা য়াবগী ফিভম হেনগৎলক্কে হায়না মখা তাখি।

TODAY
ꯃꯥꯡꯒꯩ ꯐꯧꯟꯗꯦꯁꯟ ꯑꯣꯏꯅ
TODAY
BUMPER HOUSIE DRAW
IN AID OF
Langei Foundation
Regd. No. 2133/D/SR/1990(M)
Ticket Rate ₹ 2000/-
TIME: 4:00 PM
MINI BUMPER
Ticket Rate: Rs.500/-
1st Housefull: Royal Enfiled
2nd Housefull: Activa 5G
HOUSEFUL: NEW i20

2 Ticket Q-10 :
₹ 40,000/-
DATE : 21 OCTOBER, 2019
ALL LINES: 10,000/-
VENUE : SINGJAMEI THONGKHONG KSHETRILEIKAI
HL-P/5037/21